# অঙাংগী বাইবল

## খুদোল তাম্জারী

# মীওইবাগী অাবগী হৌরকফম




অইবা : Edward Hughes

লাই ূয়কিপবা : Byron Unger; Lazarus

হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh

চুনাহান্বিবা : M. Maillot; Tammy S.



ৱারি ৬০ গী ২

**www.M1914.org**

***Bible for Children,*** *PO Box 3, Winnipeg, MB R3C 2G1 Canada*



লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোক্পা য়াই অদুবু ূয়াল্লাগা শেন্দান লাম্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই ।


**মৈতৈ/মীতৈ** Meitei Manipuri

ইশ্বরনা খুদিংমক সেম্বিরম্মি ! ইশ্বরনা অহান্বা মী অদমবু সেম্বিরম্মি, মহাক্কি নুপী ঈভকা লোইননা ইডেন লৈকোন্দা লৈরম্মি ।



1

মখোই য়াথং ইন্দুনা মপুংফনা নুংঙাইনা ঈশ্বরগা লোয়ননা লৈরম্মি নোংমাগী নুমিৎ অদুফাওবা ...



2


লিন্না ঈভতা অসুন্না হাইরম্মি “ঈশ্বরনা নখোইদা উ খুদিংমক্কী উহৈ চাগনু হাইরমব্রা?”
3
মহাক্কা পাওখুম পিরম্মি “উ খুদিংমক্কী উহৈ চাবা য়াই অদুবু উ অমগী উহৈদি য়াদে। করিগুম্বা মদুগী উহৈদু চরাবাদি নত্রগা শোক্লাবাদী ঐখোই শিগনী”। লিন্না হাইরম্মি নখোয় শিরোইদা ।
4
“নখোয় ঈশ্বরগুম্না ওইরক্কানি” । ঈভনা উহৈদু য়াম্না পামলম্মি। ঈভনা লিনগী ্াদু লৌরম্মই অমসুং উহৈ অদু চরম্মি।
5
ঈভনা ইশ্বরগী য়াথং ঙাত্রবা মতুংদা অদমদসু উহৈ অদু পীরগা চাহল্লম্মি। অদমনা চারোই হায়বা য়ারমবানি, “ঐ ঈশ্বরগী য়াথং ইনগনি ” ।
6
অদম অমসুং ঈভনা পাপ তৌরবা মতুংদা, মখোই মশাদু ফি সেত্তে হাইবা থংলম্মি।
7
হৈরিংকি মনানা সেন্নানাবা ফিগুম তুরম্মি,মদুনা মখোয় মসাদা সেংচিল্লম্মি অমসুং ইশ্বরবু কিদুনা মখোয় মোনশোংদা লোংলম্মি ।
8


অইংবা নুমিদাঙ্গ্রাইরমদা ঈশ্বর লৈকোন্দা কোইথোক্লক্লম্মি। অদম অমসুং ঈভনা করি তৌগ্রে হাইবা মহাক থংলম্মি। অদমনা ঈভতা মরান শিরম্মী। ঈভনা লিনদুদা মরান শিরম্মি। ইশ্বরনা হায়রম্মি, “লিনদুসু সিরাপ ফংলাবনী। নুপীনা অঙাং উনাবাদা নাওয়ক হেংগৎকানি” ।
9


“অদম, নংনা পাপ তৌবগী মরম্না, পৃথিবী অসিসু নাপি অমসুং তিংথংনা থল্লাবা সিরাপ ফংলাবনি। নহাক নাশাগী অ্রামন নত্তানাদি নোংমাগী চিঙ্গাক ফংলোই” ।
10


ঈশ্বরনা অদম অমসুং ঈভপু নুংঙাইরবা ইডেনগী লৈকোন্দগী তানথোক্লম্মি। মরন্দি মথোইনা পাপ তৌরম্মই, মথোয় অহিংবা ইশ্বরদাগী লাপথোক্লম্মি!
11


ইশ্বরনা মথোয়বু মৈগী থাংনা ঙাকথোক্লাম্মি। ইশ্বরনা অদম অমসুং ঈভকিদামক সাউনগী ফুরিত সেম্বিরম্মি। ইশ্বরনা সাউন অদু কদায়দাগী লৌরম্মি ?
12


মতম থরাগী মতুংদা, অদম অমসুং ঈভকি ইমুং চাওথংলম্মি। মথোইগী অহান্বা মচা নুপা, কেইন, ইংখোল কোইবা মী ওইরম্মী। মথোইগী অনিশুবা মচা নুপা, অবেলনা, য়াও সেনবা ওইরম্মী।
13


নোংমা কেইন্না ইংখোলদগী মনা-মশিং থরা খুদোলপোং ওইনা ঈশ্বরদা পুরক্লম্মি। অবেলনা খ্বাইদগী ফজাবা য়াও থরা খুদোলপোং ওইনা ঈশ্বরদা পুরক্লম্মি। ঈশ্বরনা অবেলগী খুদোলপোং অদুবু হেন্না পাল্লম্মি।
14

ঈশ্বরনা কেইনগী খুদোলপোং অদুবু পাল্লান্দে। মরম অদুনা কেইন য়াম্না শাওরম্মি। অদুবু ঈশ্বরনা হায়রম্মি, “নহাক্না তৌগদবা থবক অদু চুমনা তৌরবাদী ঐনা নঙবু পেল্লোইদ্রা?”



15

কেইনগী আশাওবদু হেন্না হেনগংলম্মি। অদুগী ইকুই কুইদনা মহাক্না অবেল্লু লৌবুক্তা হাংল্মী!



16

ঈশ্বরনা কেইন্দা হায়রম্মি। “নহাক্কি ননাওনুপা আবেলদি কদায়দা লৈখ্রে?” “ঐ থংদে হায়না” কেইন্না মচীন থিরম্মি। “ঐবু ঐগী ইনাও-নুপা সেন্নাবা মীরা?” ঈশ্বরনা কেইনবু মহাক্কী লৌ-ইংখোলদা থবক সুবা ঙমদনাবা চৈরাক পিরম্মি অমসুং মীরোং অমা ওইনা লৈহল্লম্মি।



17

কেইন ঈশ্বরদগী লাপ্না চংখিরম্মি। মহাক অদম অমসুং ঈভকি মচা নুপী অমা মহাক্কি নুপী ওইনা লৌরম্মি। মখোই ইমুং অমা ওইনা পাল্লম্মি। য়াম্না থুনা, কেইনগী মসুশিং অমসুং মসুগী মসুশিঙনা মহাক্না সেম্বা সহর অদু থল্লম্মি।



18

অদুগা লোয়ননা, অদম ঈভকি ইমুংসু য়াম্না থুনা চাওখৎলম্মি। অদুগী মতম অদুদা মীশিংগী পুন্সিসি হৌজিক্কি মতমদাগী য়াম্না সাংলম্মি।



19

সেথ পোকপা মতমদা ঈভনা হাই, “ঈশ্বরনা সেথ অসি অবেলগী মহুত শিন্দুনা ঐখোয়দা পিবিরে” । সেথ চহি ৯১২ হিংদুনা ঈশ্বরবু য়াম্না নিংজবা মী অমা ওইরম্মি অমসুং মচাশিং য়াম্না লৈরম্মি।



20













মীওইবাগী অ্রাবগী হৌরকফম

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৱাহৈদগী ৱারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মৈহৌরোন ৩-৬

"ঈশ্বর মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।"
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক
অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই। পাপকি অতৌমন্দি শীবনি।

ঈশ্বরনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী মমল কোকপিনবা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা স্বরগদা চৎথি! মরম অসিনা ঈশ্বরনা ঐখোইগী পাপশিং ঙাকপিবা ঙমই।

নংনা পাপ্কি লম্বিদগী হাল্লাকপা পাম্লাবাদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐনা থজাজে মদুদি যীশুনা ঐগীদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগংলি। নহাক্কি নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু। অমেন। যোহান ৩:১৬

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ !